ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ২১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৩৬শুবা মশীং

## অনৌবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি

### শিথরক্লবা লৈবাক অসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টম ফগৎহনবা ঙমগদৌরিব্রা?

হৌখিবা জুলাই ২৯দা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌখি। হায়দগী চৎনরক্লিবা নেসনল পোলিসি ওন এদ্যুকেসন ১৯৮৬কী মহুৎ শিনগদৌরিবা পোলিসি অসিনা কুমজা ২০৪০ ফাওবদা ইন্দিয়াগী এদ্যুকেসন সিষ্টম মপুং ফানা শেমদোক্লবা পান্দম থম্লি। কুমজা ২০১৫গী জন্যুৱারীদা হান্নগী কেবিনেট সেক্রেটরি টি এস আর সুব্রমনিয়মনা লুচিংবা কম্মিটি অমনা অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসি চংনহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থবক-থৌরম পায়খৎপা হৌখি। কুমজা ২০১৭কী জুনদা কম্মিটি অসিনা পীরকপা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্চ ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও) গী মকোক ওইরম্বা কৃষ্ণস্বামি কস্তুরিরঙ্গননা লুচিংবা পেনেল অমনা ড্রাফ্ট নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি পীশিল্লকখিবনি। অকোনবদা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্চ দিভলপমেন্টনা লময় ৪৮৪ পানবা ড্রাফ্ট পোলিসি অদু পব্লিক দোমেনদা থম্বা মতুংদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি। গ্রাম পঞ্চায়ট লাখ ২.৫; ব্লোক ৬,৬০০; অর্বান লোকল বোদি ৬,০০০ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ৬৭৬তগী তোঙান-তোঙানবা সজেসন লাখ অনী হেন্না পীরক্লবা মতুংদা মিনিষ্ট্রিনা ড্রাফ্ট পোলিসি অদু রিলিজ তৌখি।

পোলিসি অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি এদ্যুকেসন্দা অহেনবা শেনফম থাদদুনা হৌরক্লিবা নহারোল খুদিংমক্তা অফবা লৌশিংগী মঙাল ফংহন্নবা হোৎনবনি। তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লমদম অসিদা কাংলুপ খুদিংমক্তা মমালোল চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা ক্লাস ফাইভ ফাওবা মশা-মশাগী মমালোলনা মহৈ তমহন্নবগী ৱাফম পোলিসিদা ময়েক শেংনা য়াওরি। পোলিসি অসিদা অখন্নবা লোল অমা মহৈরোয়শিংদা নমদুনা তমহনবগী ৱাফম য়াওদ্রবসু তোঙান-তোঙানবা লোল তমহনবগা মরী লৈনবা নেসনল করিকুলম ফ্রেমৱর্ক অমা মথৎ চহীদা ফোঙগদৌরি। অনৌবা থৌশিল অসিগী মখাদা হান্নগী '১০+২' ষ্ট্রকচর মুথৎলগা '৫+৩+৩+৪' মোদেল চৎনরগনি। নৌরিবা অঙাংশিংবু চহী অহুম চুপ্পা প্রি-স্কুল নৎত্রগা অঙ্গনৱাদিদা তমহল্লবা মতুংদা ক্লাস ৱান অমদি ক্লাস টুনা প্রাইমারি স্কুলদা তমহল্লগনি।

মহৈরোয়শিংদা তাঙ্কক নাইনা স্পিকিং, রিদিং, রাইটিং, ফিজিকেল এদ্যুকেসন, লেংগুয়েজ, আর্ট, সাইন্স অমদি মেথমেটিক্স তম্বীবগা লোয়ননা ক্লাস থ্রীদগী ফাইভ ফাওবদা মরু ওইবা ফন্দামেন্টেল বেসিক পুন্নমক তাকপী-তম্বীরগনি। ক্লাস সিক্সতগী এথ ফাওবদা মেথমেটিক্স, সাইন্স, সোসল সাইন্স, আর্টস অমদি হ্যুমেনিটিজ তম্বীবগা লোয়ননা ক্লাস নাইনদগী ক্লাস ত্বেলভ ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা সবজেক্ট কয়া তম্নবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। হান্নদগী চৎনদুনা লাক্লিবা মওং-মতৌদিদা হোংদোকক্লিবা হায়বদু চহী খুদিংগী এগজাম পাঙথোকপগী মহুত্তা ক্লাস থ্রী, ক্লাস ফাইভ অমসুং ক্লাস এথ খক্তদা এগজাম পাঙথোকল্লগনি। ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস ত্বেলভতা বোর্দ এগজাম পাঙথোকপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী খুদোংচানবগীদমক চহী অমদা অনীরক বোর্দ এগজাম পাঙথোকপগী ওবজেক্টিভ অমসুং দেস্ক্রিপ্টিভ হায়দুনা এগজামগী শরুক অনী থোক্লা থাংদোক্লগনি। থৌরাং অসিনা মহৈরোয়শিংদা করিকুলমগী পোৎলুম হম্দুহন্নবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা সবজেক্ট অমসুং লোল তম্নবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কনাগুম্বা মহৈরোয় অমনা ফিজিক্স সবজেক্টকা লোয়ননা ফেসন ষ্টদিজ তম্বা য়ারগনি। মশা-মশাগী অনীংবা অপাম্বা মতুংইন্না কেমিষ্ট্রিগা লোয়ননা বেকরি তম্নবগী খুদোংচাবসু লৈরগনি। হায়র এদ্যুকেসনগী মতাংদসু অহোংবা কয়া লৈগদৌরি। চহী মরিগী ওইবা বেচেলরস দিগ্রী প্রোগ্রাম হৌদোকপগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা তাঙ্কক্তা মহৈ তম্বা লোইশিনহনবগী খুদোংচাবা পীরগনি। বি এ নৎত্রগা বি এস সীদা অন্দরগ্রেজুয়েট তল্লিবা মহৈরোয় অমনা চহী অমগী মতুংদা মহৈ তম্বা তোল্লবদি সর্টিফিকেট অমা ফংগনি। চহী অনী তম্লগনা দিপ্লোমা ফংগনি। চহী অহুম তম্লবদি বেচেলরস দিগ্রী সর্টিফিকেট ফংগনি। করিগুম্বা চহী মরি মপূং ফানা তম্বা তারগনা মাষ্টর ওফ সাইন্স নৎত্রগা মাষ্টর ওফ আর্টস তম্লবসু এম ফিল তম্বগী মথৌ তাররোই। হায়র এদ্যুকেসন কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (ঐচ ঈ সী আই) লিংখৎপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিং মহৈ তমহনবা অমসুং মিং চলহনবগী চাং হেনগৎহন্নবা হোৎনগদৌরি। নেসনল হায়র এদ্যুকেসন রেগ্যুলেটরি কাউন্সিল, নেসনল এক্রেদিটেসন কাউন্সিল, হায়র এদ্যুকেসন গ্রান্টস কাউন্সিল অমদি জেনরেল এদ্যুকেসন কাউন্সিল লিংখৎতুনা তাঙ্কক খুদিংমক্তা এদ্যুকেসনগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মিং চনবগী মতাংদসু অহোংবা খরা লৈরগনি। নেসনল টেষ্টিং এজেন্সিনা তোঙান-তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মিং চন্নবগী এন্ত্রান্স টেষ্ট পাঙথোক্লগনি। মতৌ অসুম্না অহোংবা কয়া পুরক্তুনা লৈবাক্কী এদ্যুকেসন সিষ্টম ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লি। অদুম ওইনমক এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংবা খক্তনা মহৈ তম্বগী মরু ওইবা পান্দমনি হায়বা হান্নগী অরিবা চৎনবী অদু হোংদোকহনবগী ৱাফম অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসিদা য়াওদবগুম তৌরি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬

১) ডা. কমলগী 'মাধবী (১৯৩০) নোবেল পুথোকখিবগী মতুং ইকুই কুইদনা মণিপুরগী নিংথৌগী মচিন মনাওশিংগী মরক্তা থোকপা খৎনবদা য়ূম্ফম ওইবা হিষ্টরিকেল নোবেলনি হায়নবা অমা লাল মমাঙদা পুথোরকই। মণিপুরী সাহিত্যদা য়াম্না শোন্নরিবা নোবেল অসিগী মমিং করিনো, কনানা ইবনো?

২) 'ঙাওচৎনরবা লাইপোক' হায়বসি মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী মমিংনি। লাইরিক অসি কনানা করি লোলদা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) 'ঐগী ৱারেং' হায়বা ৱারেং লাইরিকসি মপূং ওইনা করি হীরমদা নৈনবনো অমসুং অইবসি কনানো?

৪) 'করম্বা য়ুগকী কাউখ্রবা অহিংদা/মঙখিবা মঙগী মমিনো?'' হায়বসি য়াম্না পাম্নবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসি লিরিসিষ্ট অসিগী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৫) 'অৱাং কৌব্রু চীংলৈশং পামেল থক্ত ওংব-লৈ, লৈরাং শাৱোং হায়রগা তাওবা হুইমৈ মানবা লৈ, নৌৱা খূত্তা পায়রোনে হায়বদুনা পীবদগী খোরিফাবা কপ্পা তোক্তুনা লৈরাং মাবু পায়রগা খেল্লা-খেল্লা নোকখরে।'' লৈরাং অসিগী কোলোই মমিং করিনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মাস্ক উপত্রসু অদুম পাবিয়ু : হকচাং ফবা, নোকপা অমদি ইরমদম

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



করি তৌরগা হকচাং ফগদগে? নোকপনা হকচাং ফৈ হায়বসিবুদি অঙাং ওইরিঙৈদগী খঙলক্লে। ঐনা মসি খঙলকপসি ৱিজদম হায়বা থাগী চেফোঙ অদু পারুঙৈদগীনি। দিক্সনারি ফাক্ল-ফাক্লগা পাবা হৌখিবা মতমদো অদুদগীনি। শুমাইনা থেংনৈ *"Laughter is the best medicine."* পি সী জেনগী পাবুং কৈলাসতগী ঐনা ৱিজদম লৈবা লেপ্তে, ফাগি ৱারীসু মতেক মতেক য়াম্না লৈ। ৱিজদমগী ফাগি পারুবদগী ঐগী ইমান্নবা অমদি হকচাং ফহৌখি।

মশা নোয়বা-চাউবা, মশা বুপ-বুপ লাউবা নুপা-নুপী কয়া লন্মীদা চৎপা উরগা ঐখোয়' ইপুবোক্লা মদুগুম্বা মী অদু মশা ফরেদা হায়বা য়াম্না তোয়না তাজহৌই। হৌজিক্তি নোকপনা হকচাং ফৈ হায়বসি ঐ চপ চানা খুদম চাংদম পীবা ঙম্না খঙজরে। মশা নোয়রবা-চাউরবা, মশা বুপ-বুপ লাউবা নুপা-নুপী কয়া, মবুক কংল-কংলবা মী কয়া, মশা কামখৎলবা মী মশীং য়াম্না হেঙ্গৎলক্লে। লমদমসিদা হন্দক মরক হৌখিবা চহী তরানিপাল মখায়রোম অসিদা মবুক কংল-কংলবা অহল অমদি লৈশাবী মৌ অনৌবী অনোয়-অনোয়বা কয়া-কয়াগী মশা উরে। ঐখোয়' ইপুবোক্লা উজরদি মখোয়সি মশা ফরেদা অতো শোয়দনা হেক্তা হায়রগদবনি। ফেসবুক্তসু হৌজিক্তি নোয়র-নোয়রবা মশা-মউ নোয়-চাউর-চাউরবা কয়া উবা ফংলে। মসি ঐগী ইপুবোক্লা লাইরমলেন্দা লৈখিদবা থোক্লম্লবদি মশা ফখ্রেদা হায়না শোল্লমগদবনি। ইপুবোক্তগী ৱাসু নত্তে নোয় পেনবা, মশা-মউ থাবা-নোয়বা হায়বা অসিমক্তবু য়েংবা হেক্তা নুংঙাইজে, মশা ফৈ অদুম হেক্তা হায়জনীংই। মিষ্টর ইন্দিয়া টাইটল লৌবীখিবা পাবুং ইবুংঙো মিষ্টর মায়পাক্কী মশা মরৈ-মরৈ তারগা মথবাক ফনবা, মসল মত্রং-মত্রং কাবা অদুগুম্বদি নৎত্রবসু নোয় পেল্লবদি মশা ফরে য়াম্না হায়জৈ ঐদি। সিবু মশা ফবা কৌরোই হায়বিদৌরিরা?

অদুনদি হৌজিক মণিপুরদা মশা-মউ ফবা মীসি কয়ামুক য়াম্না লৈখ্রগেদো? সুমো রেষ্টলরদৌনা মশা চাউরবা মী ময়াম অমা লন্মীদা চৎপা থেংনরে। মণিপুরদা হৌজিক মশা মউ ফবা মী য়াঙ্গোন অমা লৈখৎলক্লিবা অসিগী মরমদু ঐনা ৱিজদমদা থেংনজখিবা নোকপা হায়বসি খ্বাইদগী অফবা হীদাকনি হায়বা অদুমক ওইদৌরিব্রা অসিনি। ঐনা সুম পাজরকপদা থেংনজরবদা নোকপগী কান্নবা অসি মখাগী অসিনি। নোকপনা ইম্যুন সিষ্টম ফগৎহল্লি হায়রি, পূক্লিং ৱাখল চাওখৎহল্লিসু হায়রি, অৱাবা কাউহল্লিগাসু হায়রি, হকচাং পূম্নমক তেকখৎহল্লিকাসু পল্লি (হকচাং তেকখৎহনবদি ঐসু য়াম্না পামজৈ!), এন্দোরফিন থাদোক্তুনা অনাবা কাউহল্লিকাইনসু হায়রি (এন্দোরফিনদি ঐ করিনোবু শুকখঙ হেক খঙজদে অদুবু অফবা অমা ওইরম তাই), পূক্লিং হকচাং য়াম্না ফগৎহল্লি হায়রি শোয়দনা চুল্লমগনি, থম্মোয় ফহল্লিসু হায়রি (হায়স!), অশাউবা কোকহল্লি হায়রি (ভালো!), পুন্সি নুংশাংহল্লি হায়বনচিংবা কয়ানি (য়াম ফৈ মসিমদি), য়াম্মনখিদনা ঐনা লোইনা নীংশিংজবা ঙমজরোইদৌরে। মসিনি নোকপগী কান্নবা ময়াম অমা। নোকপনা থম্মোয় ফহল্লি হায়রি সি য়ৌরদি য়ারেনা। মসিগী মথক্তা পুন্সি নুংশাংহল্লি হায়রিসিনি ঐনা নোকপগী মতাংদা খ্বাইদগী কল্লকচবা। পুন্সি নুংশাংবদগী হেন্না মমল য়াম্ববু করি লৈরিগে? হার্ট ফৎত্রসু পুন্সিবু নুংশাংবীরদি ইয়াদা য়াজরে ঐগীদি অদুম। হা হা হা।

নোকপা য়ার-য়ারবা নোকহন থৌদোক কয়া কয়া মাঙদা মরাং কায়না মচা ঐখোয়গীদমক মতম ইমানা হুনবা লেপ্তে। ফক হুগৎ কোয়লাস খূৎথা, ঙসিনা লৈঙাক ফত্তে হায়বা হয়েংনা লৈঙাক ফৈ হায়বা লৈবাক্লোই, চীন্না হিরো খূৎনা ভিল্লেন। নোংমা কাংদনা নাকোংনা তারি, মীৎনা উরি তৈনা ওন্নবা ঙাক্তা। মাস্ক উপ্তুবা মীনসু মী অতৈবুদি মাস্ক উপ্পু হায়না লাউরি, এস ও পি ঙাকউ হায়না লাউরম্বা কনানা কোভিদ নারি, নাবনা লায়না অমনা নারগা শিবনা লায়না অমনা শিনরি, মৌনা পাখংদা চেল্লি, লৈশাবীনা হনুবদা চেল্লি, নোং চুরগা লন্মী শেল্লি, শানা শানা থোং তেকথরক্লি, শাবা লোইদ্রিবা ওফিস নোং য়ুরক্লি, মসিগুম্বসি অসুক মরাং কায়না লৈরবদা ঐখোয়না কৈদৌনা নোক্লিংলোইদগে? ঐখোয়সি নোকমন্দুনা নমদনা হকচাং ফত্তবা ইয়ামক য়ারোইদৌরি। নোক্লিংবা ময়ামসিদা নোক্লুবদগী ওইবা তাই ঙসিদি লন্মীদা মশা ফবা ময়াম অমা ৱাকিং চৎলিবসে।

হকচাং ফগে হায়বিরগদি মণিপুরদা থা অহুম মরিদং লৈবীবদা নুপা নৎত্রগা নুপী অদু নোকমন্দুনা শুকশোয় শোয়দনা অদুম মশা ফরোইদৌবগী ৱা লৈত্রে মসিমা। মসি তৌরোই হায়রগা পাউচে অমা নুমিৎ খুদিং লেপ্তুনা থা অমা পাবদা ইশাদা লৈরম্বা লায়না কয়া তিনকোক লাইকোল্লদৌবনি। মণিপুর ইজ এ লেন্দ ওফ জোকেস হায়না অফাওবা অমত্তংনা হায়বিরবদি য়াম্না মমিং চৎকনি। অসুক নোকপা য়ার-য়ারবা থৌদোক কয়ানা মরাং কায়না লৈশাৎ তল্লিবা মণিপুরদা হকচাং ফত্তে হায়রুবা তারবদি মীঙোন্দা চিন থীবা ঙাঙবা তাদুনা তোক্লোইদ্রনে? মসিনি হকচাং সুম ফনরক্কদবগী মরম। হা হা হা। ●

# লাই নীংবা হায়বরা, লাই লাৎপা হায়বরা -১

**নবকুমার ওইনা**

দিৱালিগী মৈরি, বোম্বুলাগী মখোল মরকসিদা নুংশিৎ শেংদে হায়রম্বশিংদুবু করি লৈকায়দা লৈরমগদবা? হুই মচা অমা য়োকপসি কাঞ্জদা চঙখিবদগী থোক্লকউ য়াখিদ্রে। লৈঙাক্কী ওর্দর শেন্নরিবা পুলিসনা কদায়দা লোৎখ্রবা? লাই লাৎপগী মৈরা কৎপনি হায়রদি শেল চঙনা নুংশিৎ মোৎহনবা, বোম্বুলা থারিবসি লনগী লাইরেন্বী অমদা কৎলিবনি। লায়রা তান্নবনি, লাইনা শেল হঞ্জিনলকপগী ৱাদি লৈতে। মসিবু লাই নীংলিবা হায়বদুরা? লাই তোংলিব্রা?

খন্নগদৌবদা ইপন পন্নদ্রিবা, মৈরা কৎপা, বোম্বুলা থাবা অসিদি অঙাং খোমজিল্লগা, লাইনীং শন্দোকপা য়ানবা তৌখিবনি। য়াও পরেং চৎপগুম্বনি, কোমজাও অমদা মথং-মথং চোঙথনখিবা অদুগুম্বনি। চাক্লৌবগা ইশম-শম্নবনিনা ষণ হাৎপা হেনগত্তনবা ষণ লাৎপা অমসু য়াওশিল্লিবনি। ঙানু-য়েন, ঙাদি সমুদ্রগী ঙাক্তা ৱায় চায়খৎলক্লিবনি। শেলসি সমুদ্রদা হৈথখিবগা মান্নরিবনি।

লাই হায়বসি মশক অকক্লবা লৈতবা অমনি হায়রি। লৈ হায়দুনা থাজনরিবা লাই অদুগা মশক লৈতে হায়রিবা লাই অদুগা মান্নবা নৎত্রি। লৈ হায়রিবা লাই অদু লৈবা ওইরদি মিৎনা উবা য়াবা ওইররোই, মিৎনা উই হায়রুবগা লৈতে হায়রিবা লাইদু ওইখ্রগনি। শক্তম লৈতে হায়রিবা লাইদু ওইনা উরবোই খন্নখ্রগদৌবনি। মীনা লাই শাবা ঙাক্তনি, উরিবদি। মীনি, লাই নত্তে। শক্তম লৈতে হায়রিবা লাই অসিদি নীংবা অমসুং নীংদবা হায়বা ঙাঙনবা য়াগদৌবা নত্তে।

অহৌবদা, অহৌবা হায়বা অমা লৈগনি, মহাক্তুবু লাইনি হায়বসু লৈরি। অহৌবদুগী মমাঙদা কনাসু লৈবা য়ারোই। মহাক লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বা খন্নবা য়াফম থোক্তে, মহাক্কী খূৎশেমদগী খন্নবসু হৌগদৌরিবনি। মহাক লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বসু মীওইবনা ঙাঙনজবনি। মহাক্তু লাইনি হায়বসিনা কনানা হায়বা হৌরকপা, হায়বা হৌবা মীদু লাই ওইনা লৌরিব্রা? মতোমতা লাই মাল্লকপা, লাইনি ককা হায়রকপা লৈরক্লে। মীঙোন্দা বোর পীগনবসিসু লাই মান্নবা তৌরিবনি হায়গনি। নিংঙোল চাক্লৌবগী য়াইফ পাউজেল পীরকখিবা ময়ামদু লাই ককা মাল্লকপগী ৱানি। নিংঙোল ময়ামসিসু লাই-লাইরেন্বী মাল্লক্কদৌরি। মবুং মৌপ্পাশিংদা বোর পীরিবসিনি। নুপীশিংসু লাই লাৎলম্বদগী লাইরেন্বী শারকপা হায়বা তারে। বোরদু ফংগদৌবগুম খন্নরিবনি।

মী অমদা বোর পীবা পাম্বা হায়বসিসু লাই শাবা নত্তে হায়ব্রো, বোর ফংবা পাম্বশিংনা করম্বা মখলগী মী ওইগনি খল্লিবনো, লাইগী মখাদা নীরগা চাবা মী ওইরিব্রা? পাঙদবা, থবক শূনীংদবা, ৱাখল মপা চুমগন্দবা, মরৌশিং ৱাৎপশিংনা নীবা তোক্তবদগী লাই হায়বা অমা লাকখিবা ওইগনি। লাইনা পীরকপা অমত্তা লৈরোই, হোৎনজমননি, ৱাখলদা মপা চুম্নরুবদগী মানবদুদি লৈরিবনি। হুরানবসু হুরানবা ঙম্নবা লাই নীংনরিবনি। ৱাখলদা থাজবা ৱাংনবনি। থবক শূদবা, তারম্বদগী খুনবসু লৈরিবনি, লাইনা নত্তে মপা চানরুবগীনি। নীবদা পীরকপসু নত্তে, মপু থিরগা পীথোক্লরিবনি। পীথোক্তবীদা লাইনা পীরকপনি খনবদি লাল্লি। মী ময়ামদা পোৎ কৎহল্লগা বোর পীরগা শেল তাল্লবদি শেল খরদি পায়বা তারকপনি। লাই শাবদুনা পীবা বোর ফংবা হৌনদে। শেল মাঙনরিবশিংনা অদুম থাজনবগী ৱাতনি। থাজনবদগী বোর পীবা মীসু লৈরকপনি। বোর পীবদগী হেন্দুনা নুপী অঙাংদা মচা পীবগী ৱাথোক ময়াম থোকখ্রবনি।

লমহাংদা লাই থেংনরে হায়রিবসি থেংনরবসু অদুম লৈয়ু য়াদবা মাঙখিবা হায়বসি ৱাখলগী ওইবা তারকপদুনি। কিরিঙৈদা, পাখৎলিঙৈদা পঙউদা উবা কয়ানি, দ্রগ চাবদসু উবা ময়ামনি। মাঙখ্রিবদু উরবা লাই কৌগদ্র, উদবা লাইনি হায়গদ্রা? মখোয়না মী পোকপ্রা? লাই তোংবা হায়বা অমসু লৈরি, তোংলিবা লাইদুদি উবা নত্তে। ইন্দক্সন ইনর্জিগুম্বা অমা ওইবা তাবনি। মমৈথংদদি লাই হায়বসি ইনর্জি হায়বনি হায়বা তারকপদুনি। খুদিংমক ইনর্জিনা তৌবনি। থবক তৌবা ঙম্বা মতিক-মঙম অসিবু ইনর্জি কৌবনি। বোর পীগনবা কাঙবুনা শিথরক্লিবসি মদু খঙদবদগীনি, মুৎলো হায়না বোর পীনবগীরা? দেমোক্রেসিগা লাইগা কনানা চাউই। দেমোক্রেসিদা লাই লাৎপশিং মুৎপা য়াওরিবা করিগীনো? লাইদি মোনার্কিজম চৎলি, দেমোক্রেসিদা লাই লাৎশিনবসি লাল্লি, লাই লৌশিনবসু লাল্লিবনি। মিনিষ্টরনা নিংথৌ মাল্লকইবনি, দেমোক্রেসি খঙদ্রবদি লাই কিরকইবনি। লাই শান্নবা (তন্ত্রিক) য়াওরবদি মোনার্কিজম শাগৎলিবনি। দেমোক্রেসি অদুদি মাল্লক্ত্রে হায়রগনি। হৌজিক ফাওবগীদি দেমোক্রেসি মান্দ্রিবসিগীদি লাই লৌশিল্লুবগীনি, লাইদা দেমোক্রেসি চৎলু হায়জিল্লিবসিনা খঙদ্রিবসি লাইদু খঙদবগীনি। দেমোক্রেসিসু খঙদ্রিবনি।

মীদা লাই কৌগেরা, লাইদুদা লাই কৌগেরা, লাইগা মীগদি মান্নবা য়াদ্রে। লাইদুদি কদায়দা থিরুগদৌরি। লাইশঙ খুদিংদা লাই লৈবা নত্তে, কোন্না শাগৎপা শঙলেন অমদা লাই অমা পোল্লকপা য়াব্রা? লাইমিং মান্নবা ময়াম মফম কয়াদা লাৎনরিবসি মী মানবা লাই অমনা কোয়চৎ চৎপা ঙম্বা হৌনদে। লাইদু চুম্না নীংবনি হায়ব্রা, লাৎপনি হায়ব্রা? ঙসি ফাওবদা মীওইবনা খ্বাইদগী মতম মাঙবসি লাই খুরুম্বা, লাই লাৎপা অমসুং লাই শোনবসিনি। দেমোক্রেসি হৈতবসি মীওই অমা অনীদং ওইরবদি কেস থোক্লরিবসি য়ামলোইদবনি। কেস য়াম্নরল্লবদি এম এল এশিংগী মরক্তা দেমোক্রেসি লৈবা ঙম্লক্তবগীনি। মখোয় অয়াম্বা লাই খুরুম্মী, লাইগী লোংউপ্তুগী থোল্লক্ত্রবদি দেমোক্রেসি খঙবসু ৱাগনি। লাইগী মীংদা মী খোম্বনি।

মীওইবগী খ্বাইদগী অশোনবসি লাই লৈ খল্লগা নীবগী ৱাখল খনবা অসিনি। পংখুদা খুরুম্বা, পংশোন্দা শোনবা য়াওনরবদি ৱাখল লায়না চেল্লবনি। ইরোয় বালি কৎপা তোল্লগা ঙাক্রানা মহুৎ শিনবা, ঙাক্রাগী মহুৎ তোর্বোৎনা শিনবসিনা লান ঙম্বগী ৱাদি লৈত্রে। লূ-কোল্লগা লিক-চৎপসি য়েক্লবদা তম্বীগদৌবা লাইনীংনি। লাই-লিক তম্বা হায়রগা লাই খঙদ্রবনি, লাই লাল্লিবনি। লাইগী লৈবাক হায়রবদি মুৎলদৌবনি, লূ-কোক্লরিবনি। অমনা মপা-মপু শিখিবগী কোকই অঙাংনা পুকনুং শম কোকই। মসিবু লাই লাৎপগীরা? ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ নোঙ্গাংহৈ

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মহাও অদুমক লৈবা হৈ অমা ওইনা চানরবসু হীদাক্কী মগুনশিং থোইদোক হেন্দোক্লা য়াওবা পাম্বী অমনি নোঙ্গাংহৈ। পাম্বী অসি ময়ায় ওইরপ্পা চাউবা, মতম পূন্নমক্তা শংদুনতা লৈবা, মনা য়াম্না পুঙবা উ পাম্বীনি। নোংঙ্গাংহৈ হায়রিবা পাম্বী অসি ইংলিসতা লোঙ্গান (Longan) নৎত্রগা দ্রেগোন্স আই (Dragon's eye), চাইনিজদা গুই-য়ুৱান (Gui yuan), অসামীজদা নাগা লিতচি (Naga litchi), বেঙ্গোলিদা অসফাল (Ashphal), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *য়ুফোরিয়া লোঙ্গানা (Euphoria longana (Lour.) Steud)* নৎত্রগা *য়ুফোরিয়া লোঙ্গান (Euphoria longan Steud)* নৎত্রগা *য়ুফোরিয়া সিনেরিয়া (Euphoria cineria (Turcz) Rodlk)* নৎত্রগা *য়ুফোরিয়া গ্লাব্রা (Euphoria glabra Blume)* নৎত্রগা *য়ুফোরিয়া গ্রেসিলিস (Euphoria gracilis Radlk)* নৎত্রগা *য়ুফোরিয়া মাইক্রোকার্পা (Euphoria microcarpa Radlk)* নৎত্রগা *য়ুফোরিয়া ভেরুকুলোসা (Euphoria verruculosa Salisb.)* নৎত্রগা *দিমোকার্পস লোঙ্গান (Dimocarpus longan Lour)* নৎত্রগা *দিমোকার্পস লিতচি Dimocarpus litchi Lour)* নৎত্রগা *দিমোকার্পস ইনফোর্মিস (Dimocarpus informis Lour)* নৎত্রগা *নেফেলিয়ম লোঙ্গান (Nephelium longan (Lour.) Hook)* হায়না কৌই অমসুং *সেপিন্দেসী (Sapindaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী অমদি কেক্রু পাম্বী (Sapindus mukorosii নৎত্রগা Sapindus trifoliatus) নি।

নোঙ্গাংহৈ পাম্বীগী ইংলিসকী ওইবা মমিং লোঙ্গান হায়বসি চাইনিজগী মরোল লোঙয়ান (Longyan) হায়বদি দ্রেগোন আই হায়বদি দ্রেগোনগী মমিৎ মানবা মহৈ অদুদগী থোনখিবনি। দ্রেগোন হায়বসি ঐখোয়না চীংলাই হায়বসিনি। নোঙ্গাংহৈ পাম্বী অসি মিটর ১০ রোম ৱাংঙি অমসুং মসা-মরেং য়াম্না পুঙনা হৌই। নোঙ্গাংহৈ পাম্বী অসি খা থংবা চাইনাদগী হৌরকখিবনি হায়না পাউদমজরবসু অখঙ অহৈ খরনদি পাম্বী অসি ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কাদগীসু হৌরকফম ওই হায়না পাউদল্লি। নোঙ্গাংহৈ পাম্বী অসি লিতচি পাম্বীগা য়াম্না মান্নবা মরম্না পাম্বী অসিবু লিতচি পাম্বীগী মনাওনুপা (Little brother of the Litchi) নৎত্রগা লিতচি পাম্বীগী মনাই (Slave of the Litchi) হায়নসু অদুমক কৌনৈ। নোঙ্গাংহৈ পাম্বী অসি মহৌশাগী ওইনা ত্রোপিকেল অমসুং টেম্পরেটকী মফমশিংদা হৌই অদুবু তেম্পরেচর দিগ্রী ৫ ফাওবদি হৌবা ঙম্মী। নোঙ্গাংহৈ পাম্বী অসি হিমালয়গী মফমশিং অমসুং নোংপোক ভারতকী মফমশিং মরু ওইনা মণিপুরদা মহৌশাগী ওইনা হৌবা থেংনৈ। (International Union for Conservation of Nature and Natural Resources (IUCN) গী পাউদমগী মতুংইন্না নোঙ্গাংহৈ পাম্বী অসি near threatened হায়বদি অকি-অখং নংগদৌরবা কাঙলূপ্তা চল্লে হায়না ফোঙখ্রে।

নোঙ্গাংহৈ পাম্বীগী মহৈ অসিদা চিঞ্জাক্কী ওইবা মগুনশিং অসি থোইদোক্লা শীংথানীংঙাই ওইনা য়াওই। বিজ্ঞানগী পাউদমগী মতুংইন্না নোঙ্গাংহৈগী মমুন ফারবা মহৈদা য়াওবা মচল অমসুং চিঞ্জাক্কী ওইবা মচলশিংদি এনর্জি (কিলো কেলোরি ৬০), কার্বোহাইদ্রেট (গ্রাম ১০০দা গ্রাম ১৫.১৪), দাইটেরি ফাইবর (গ্রাম ১০০দা গ্রাম ১.১), ফেট (গ্রাম ১০০দা গ্রাম ০.১), প্রোটিন (গ্রাম ১০০দা গ্রাম ১.৩১), ভিটামিনশিংগী মনুংদা থিয়ামিন (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ০.০৩১), রাইবোফ্লেবিন (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ০.১৪), নিয়াসিন (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ০.৩), ভিটামিন সি (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ৮৪) অসিনচিংবনি। মিনরেলশিংগী মনুংদা কেলসিয়ম (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ১), আইরন (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ০.১৩), মেগ্নেসিয়ম (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ০.০৫২), ফোসফোরস (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ২১), পোটাসিয়ম (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ২৬৬), জিঙ্ক (গ্রাম ১০০দা মিলিগ্রাম ০.০৫) অসিনচিংবনি। প্রোতিনগী মরু ওইবা মচাকশিং নোঙ্গাংহৈগী অমুনবা মহৈদা য়াওবশিং অদুদি থ্রিওনিন (গ্রাম ০.০৩৪), ল্যুসিন (গ্রাম ০.০২৬), লাইসিন (গ্রাম ০.০৪৬), মিথিওনিন (গ্রাম ০.০১৩), ত্রাইওসিন (গ্রাম ০.০২৫), ভেলিন (গ্রাম ০.০৫৮), হিস্তিদিন (গ্রাম ০.০১২), এস্পার্টিক এসিদ (গ্রাম ০.১২৬), গ্লুতামিক এসিদ (গ্রাম ০.২০৯), গ্লাইসিন (গ্রাম ০.০৪২), প্রোলিন (গ্রাম ০.০৪২), সেরিন (গ্রাম ০.০৪৮), ফিনাইল-এলানিন (গ্রাম ০.০৩), অর্জিনিন (গ্রাম ০.০৩৫), আইসো-ল্যুসিন (গ্রাম ০.০২৬) অসিনচিংবনি।

নোঙ্গাংহৈ পাম্বীগী মমুন ফাদ্রিবা মহৈ অসি এসিয়াগী লৈবাক কয়ামরুমদা এঙ্গুাং মখল কয়াগী মহী শেম্বদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ। অকঙবা মহৈ অদু পান্না শোয়রগা অতোপ্পা মনা-মশিংগা থোংদুনা অহাওবা মথেল ওইনা চাইনাদদি য়াম্না পাম্না চানৈ। চাইনিজশিংনা চাক চাদ্রিঙৈদা নোঙ্গাংহৈদগী শেম্বা শীন্তক তৌবা মহী অদু থক্তুনা চাক হেন্না নৎত্রগা হাওনা চানবগীদমক্তা পাম্না থক্লে। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু চাক চাবা তোল্লবা মতুংদসু চাখ্রিবা চাক অদু মপূং ফানা তুমহন্নবা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ।

চাইনাগী য়াম্না লিরবা অনা-লায়েংদা নোঙ্গাংহৈগী মমুন ফারপ তৌরবা মহৈ অদু পানা শোয়রগা কংহল্লবা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা পূক্লিং ৱাখল লৈতাদবা অদু লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু মীওইবগী হকচাংগী পাঙ্গল পীবা ঙম্বা অমদি মৈশা পোকহনবা ঙম্মী হায়দুনা নিংথমথাগী মতমদা য়াম্না তোয়না শীজিন্নৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না নোঙ্গাংহৈগী মহৈ অসি অরুম-লাইহৌ অমসুং থিবোং-থিরিলদা তীল লৈবা (Parasitic worms) শিং লায়েংবদা খ্বাইদগী ফবা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নৈ। অরিবা লায়েং-পথাপ্তা নোঙ্গাংহৈ পাম্বীগী মনা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা ইনসোমনিয়া (Insomnia) হায়বদি তূম্বা য়াদবা, মীৎ হাক্কচবা অমদি মশেন-মরাং উবা, ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা কাউজল থিবা (Short term memory loss) অমসুং চিঞ্জাক্তা হূ কাবা হায়বদি ফুদ পোইজনীং তৌবা অসি লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। নোঙ্গাংহৈ পাম্বীগী মরূদা সেপোনিন (Saponin) হায়রিবা মচল অসি চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না কোক লুজনবা সেম্পু অমা ওইনা শীজিন্নৈ। খূৎ-শা হাম্নবা অমসুং ফি-রোল শূনবা মহী অমা শেম্বসু য়াই। নোঙ্গাংহৈ পাম্বীগী উ অসি মহুৎ কূপ্পা অমসুং লূম্বা মরম্না থাঙ-তেনগী মখোক পানবদা খুদোংচাবগী মথক্তা উপু-কাংথোল অমসুং টেবল-চৌক্রি চনবদসু পাম্না শীজিন্নৈ। নোঙ্গাংহৈ পাম্বী অসি মনা য়াম্না পুঙবা অমদি মতম পূন্নমক্তা শংদুনতা লৈবা মরম্না লন্মী-সরক্কী মপান, গার্দেনশিং অমসুং য়ূমগী অকোয়বদা থাবদসু য়াম্না পাম্নৈ। নোঙ্গাংহৈ পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা য়াম্না থুনা মাঙশিল্লক্লিবা মরম্না মসিবু য়োকখৎপগী তঙাইফদবদু ঐখোয় পূন্নমক্লা থৌদাং লৌগদবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।